‘অনকন্সটিট্যুস্নেল লো’ অমত্তা কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা চৎনহল্লোই ঃ কে সি ভেনুগোপাল

কোচি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি): সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মতাংদা কোংগ্রেসনা হায়খ্রে মদুদি অনকন্সটিট্যুস্নেল লো অমত্তা পার্টি অসিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা চৎনহল্লোই। লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা সি এ এসু কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা চৎনহনবগী ৱাফম লৈরোই হায়না এ আই সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী কে সি ভেনুগোপালনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা লো অসি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিংদা নমদুনা চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা য়ারোই। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মীয়াম্না সি এ এগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈগী চৈরক্তা ভেনুগোপালগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কেরলাগী অলাপুঝা দিষ্ট্রিক্টতা সি এ এগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবগীদমক মহাকপু পুলিসনা ফাজিনখি। অলাপুঝা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিতিনা শীন্দুনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা অতৈ অতোপ্পা প্রোটেষ্টর কয়াসু পুলিসনা ফাজিনখি। চৈরকসিদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে মদুদি সি এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংনা লেজিসলেসন অসিগী মতাংদা সজেসন পীরকপদা তরাম্না লৌগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী সোর্ছ অমনা হায়খি, লো অসিবু য়ানিংদবা মীওই পুম্নমক্না হোম মিনিষ্ট্রিদা সজেসন পীরকপা য়াগনি। লেজিসলেসন অসিগী মতাংদা শেমগদৌরিবা রুলশিংদা মীয়াম্না পুখৎলকপা ৱাফমশিং য়াওহনবা য়াব্রা হায়বদু খন্নগনি।

সি এ এগী মতাংদা মীয়াম্না তোঙান-তোঙানবা মফমদা খোঙজং চঙশিল্লকপগী মতাংদা এম ঐচ এগী সোর্ছ অমনা হায়খি, পার্টি খুদিংমক্না তান্নরবা মতুংদা সি এ বিল পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখিবনি। হাউসকী মেম্বরশিংনা য়ানিংদবা ফনা য়াম্না লৈরবসু হাউসতা পুথোক্ত্রিঙৈদা মাংজৌননা খন্নরম্বা য়াবনি।

হৌজিক মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লিবসি দিম্মোক্রেসিনা পীবা রাইট মতুং ইন্না লৌখৎলকপা থৌরাংনি। কনাগুম্বনা কোর্টতা চৎলগা লেজিসলেসন অসিগী মায়োক্তা ৱাকৎপদা অকায়বা লৈতে হায়নসু এম ঐচ এগী সোর্ছনা ফোঙদোকখি।

মাইনোরিটি অমসুং সিটিজন খুদিংমক্কী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলোই হায়না পাল্লদুনা এম ঐচ এগী সোর্ছনা হায়খি, কুমজা ১৯৮৭কী মমাংদা লৈবাক অসিদা পোকপা মীওইশিং অমসুং হায়রিবা চহী অসিগী মমাঙদা পোকপা মীওইশিংগী মচা-মশু পুম্নমক ইনিদয়াগী অশেংবা সিটিজন ওইনা লৌগনি। মরম অদুনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনরকপা নত্রগা এন আর সি চৎনহল্লকপদা মীপায়নিংঙাই লৈতে।

য়ু পিগী মফম কয়াদা মীয়াম্না কর্ফ্যুগী অথিংবা থুগাইদুনা সি এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে

লখনৌ, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি): উট্টর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট ১৩দা ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরম লোইরবা মতুংদা মীওই লিশিং কয়ানা অথিংবা থুগাইদুনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা নুঙ লংশিল্লকপগা লোয়ননা গাড়ি কয়া মৈ থারকপদগী পুলিসনা মীয়ামগী ইহৌ লাকশিন্নবা ট্যিার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখি। মুজাফরনগর, বাহরেক, গুলন্দরসর, গোরখপুর, ফিরোজবাদ, অলিগর, ফরুখবাদ, ভাদোহি, মিরুট, ঘাজিয়াবাদ, বিজনোর, সুল্টানপুর, ভরানাসি অমসুং সম্ভল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

শগোলশেন নুমিৎতা মীয়ামগী ইহৌগা মরী লৈননা মীওই ১ শিখিবা লখনৌ সিটিদা হৌজিক ফাওবা মীওই ১৫০ হেন্না ফাগৎপা ঙল্লে হায়না সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কালানিধি নাইটানিনা ফোঙদোকখি। ইরাই নুমিৎকী লাইশোন থৌরম মাংওইনা মফম কয়াদা ঙসি অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

ইন্টর্নেট সার্ভিস থিংজিনখিবগা লোয়ননা কৈথেল পুম্নমক ইহাং হাংলবসু লাইশোন থৌরম লোইরবা মতুংদা থোরকপা মীয়াম্না সি এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখি। উট্টর প্রদেশকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ও পি সিংহনা মীপুম খুদিংমক ই তপ্পা লৈবিনবা আপিল তৌরদুনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা হৌজিক চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা মপানগী খুৎ য়াওবা থেংনরে। চপ চাবা খঙদোক্লবা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌরে।

ভুল্লনসরদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না পুলিসকী গাড়ি অমা মৈ থাখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ইহৌ লাকশিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেতনা নুংথিল পুং ৩দগী হৌনা মোবাইল ইন্টর্নেট সার্ভিস থিংজিনখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পোক্নফম লমদম ওইরিবা ভরানসিদা পুলিসনা লাথিচার্জ তৌদুনা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়খি।

দিল্লিগী জমা মসজিদতসু ভিম আর্মিগী লুচিংবা চন্দ্রসেখর অজাদনা লুচিংবা মীওই লিশিং কয়ানা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখি। মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা চান্দনি চোক মেট্রো ষ্টেসন মতম খরা থিংজিনবা তাখি। মফম খরদা প্রোটেষ্টরশিংনা দিল্লি পুলিসকা অকনবা মওংদা মুক্নাখি।

খা থংবা ইন্দিয়া রোমদসু মীয়াম্না সি এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা ঙরাং কর্নাটকাগী মেঙ্গলুরুদা মীওই ২ শিখিবনি। পাকিস্তান, অফগানিস্তান অমদি বংলাদেশতগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা হিন্দু, সিখ, জেন,পার্সি, বুধিষ্ট অমসুং খৃষ্টিন লাইনং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগনি হায়বা এক্টকী অসিগী মায়োক্তা মীয়ামানা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিল্লি।

উনাও রেপ কেস ঃ তান্থোকখ্রবা বি জে পিগী এম এল এ কুলদিপ সেঙ্গার পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি): কুমজা ২০১৭তা উট্টর প্রদেশকী উনাওদা নুপী অমা রেপ তৌখি হায়বগী মরালদা তান্থোকখ্রবা বি জে পিগী এম এল এ কুলদিপ সিংহ সেঙ্গারবু পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট জজ ধর্মেস শর্ম্মনা হায়খি, মীয়ামগী থৌগল তৌগদবা মীওই অমনা ওন্ন-তৈনবা মওংদা মীয়ামগী থাজবা মাংহল্লে। মরম অদুনা মরাল লৈরবা কুলদিপ সিংহ সেঙ্গারবু ইসিন্দয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৭৬ (২)গী মখাদা পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীরে।

দিল্লিগী টিসহজারি কোর্টনা কুলদিপ সেঙ্গারবু থা অমগী মনুংদা লুপা লাখ ২৫ ফাইন ওইনা পীনবসু খঙহনখি। হায়রিবা শেফম অসিগী মনুংদা লুপা লাখ ১০-১০গী তিক্টিমগী ইমুং-মনুংদা কম্পেনসেসন ওইনা পীগদবনি।

করিগুম্বা শেঙ্গারনা ফাইনগী শেনফম অসি পীদবা তারবদি মহাক্কী লন-থুম পুম্নমক ফাজিল্লগনি হায়রি।

কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না ভিক্টিমগী ইমুং মনুংদা খা তানা কিহনবা-খংহনবগী থৌওং চথুবরা হায়বদু থা ৩ কূদিহগী য়েংশিন্নবা সি বি আইনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলগনি।

মসিগীসু মক্তা ভিক্টিমগী ইমুং মনুং পুম্নমক দিল্লি কম্মিকসন ফোর ৱিমেননা পীবা অশানবা য়ুম অমদা লৈনবা খঙহনখি। য়ুম অদুদা লৈলবদা চঙবা শেনফম পুম্নমক য়ু পি গভর্ণমেন্টনা পুথোক্কদবনি হায়রি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোর্টনা কুলদিপ সেঙ্গারবু ইন্দিয়ন পেনাল কোদ অমসুং পোক্সো এক্টকী মখাদা মরা লৈরে হায়না লাউথোকখিবনি। কেস অসিদা চেন্নবা সছি সিংহ কৌবা কো এক্যুজ অমা কোর্টনা মরা লৈতে হায়না থাদোকখি।

জয়পুর ব্লাষ্টতা চেন্নবা মীওই ৪ শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে

জয়পুর, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি): কুমজা ২০০৮দা জয়পুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ৮০ শিহনখিবদা চেন্নবা মীওই ৪ কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে।

থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা মরাল লৈরমদ্রে হায়না থাদোকখি। চহী ১০গী মমাঙদা জয়পুরগী মফম কয়াদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুদা মীওই ১৭০ হেন্না অশোক অপননংখিবনি। শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা মীওইশিং অদুদি, মহমদ সাইফ, সরৱার আজমি, সলমান অমসুং সাইফুর রহমননি। শাহবাজ হুসেন কৌবা মীওই অমদি মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখি।

কেস অসিদা চেন্নবা মীওই ৩ দিল্লিগী টিহার জেলদা থল্লিবনি। উট্টর প্রদেশকী অজমগরদা লৈবা মহমদ অতিন কৌবা মীওই অমনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোকশিং অদু থোকহনখিবনি হায়না থাজনরি। হায়রিবা মীওই অদু দিল্লিগী বটলা হাউসতা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রে।

কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা মীওই ৪মক উট্টর প্রদেশতগী ঙাক্তনি। মখোয় মরিনা মহমদ অতিনগী য়াথং মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা মফমদা বোম পোকখায়হনখিবনি হায়রি। কুমজা ২০০৮গী মে থাদা জয়পুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু ইন্দিয়ন মুজাহিদ্দিননা চথুবা খ্বাইদগী তমথিবা এটেকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি।

এটেকরশিংনা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আইইদি)১০ শীজিন্নবগী মনুংদা ৯ পোকখায়খি। এটেক চথুবদা শরুক য়াখিবা সাহবাজ হুসেন কৌবা মীওই অমদি কম্প্যুটর সাইন্সতা এম টেক লোইরে হায়রি।

ঝরখন্দদা পাঙথোকপা অরোইবা তাঙ্কক্কী এসেমল্লী ইলেক্সনদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৫ য়ৌখ্রে

রাঞ্চি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি): ঝরখন্দদা ৫শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী এসেমল্লী ইলেক্সন পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৫ য়ৌখ্রে।

অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা এসেমল্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৬তা মীয়াম্না ভোট থাদনখি। বোরিও, বারহেত, লিটিপারা, মহেসপুর অমসুং সিকারিপারাদা নুংথিল পুং ৩ চপ চানা ভোট থাদবা লোইশিনখি। লেমহৌরিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদনা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ভোট থাদনখি।

ষ্টেটকী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৫ হেনখি হায়রি। নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ভোট থাদনখিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী মনুংদা মহেসপুরগী ওইনা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭০.৪৪ য়ৌখি। দমকাদনা চাদা ৫৫.২৬কী চাংদা ভোট থাদনখি।

রাজমহলগী চাদা ৫৯.৩২, বোরিওগী চাদা ৫২.৫৬, বারহেতকী চাদা ৬৩.৭৮, লিটিপারাগী চাদা ৬৬.৯৫, পাকুরগী ৬৯.৯৬, মহেসপুরগী চাদা ৭০.৪৪, সিকারিপারাগী চাদা ৬১.৫৩, নালাগী চাদা ৬৮.২১, জমতারাগী চাদা ৬৬.১১, দমকাগী চাদা ৫৫.২৬, জমাগী চাদা ৬২.২০, জরমুন্দিগী চাদা ৬৩.৫৬, সরথকী চাদা ৬৬.৭৭, পোরিয়াহাটকী চাদা ৫৫.৬৮, গোদাগী চাদা ৫৮.১২ অমসুং মাহগমাগীনা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৬.৭৭ ওইখি হায়রি।

অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মীরেপ ওইরিবশিংগী মনুংদা জে এম এমগী এক্টিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর হেমন্ত সোরেন, ৱেলফেয়র্স মিনিষ্টর লুই মরানদি, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর রনধির সিংহ, ইরফান অন্সারি অমসুং প্রদিপ যাদব য়াওরি।

মমাঙদসু শেন্মীৎলোনদা অকা-অকুম লৈখি ঃ পি এম

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মমাঙগী কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খ্রে মদুদি হান্নদগী হৌনা লৈবাক অসিদা শেন্মীৎলোনগী ফিভমদা অকা-অকুম লৈদুনা লাকখি।

মমাঙদা শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লকখিবা তারবসু মতম খরগী মতুংদা অমুক হন্না ফিভম ফগৎহনবা ঙমখি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি কোকহল্লগা মতম খরগী মতুংদা অমুক হন্না ফিভম ফগৎহনবা শোইদনা ঙমগনি।

এসোসিএটেদ চেম্বর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ ওফ ইন্দিয়া (অসোচম)গী মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী লেবর রিফোর্মগা মরী লৈনবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা লাকখি। কুমজা ২০১৪গী মমাঙদা শেন্মীৎলোনগী ফিভম শোকচিল্লকখিবগী মতমদা লৈঙাক পায়খিবা মীওইশিংনা করিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎতনা তুমিন্না লৈশিনখি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতমদা তুং কোইনা শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্দুনা ইন্দিয়াগী ইকনমি য়ু এস দোল্লর ত্রিলিয়ন ৫ য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি।

ফাইনান্স মিনিষ্টরনা বজেট মমাঙদা খন্ন-নৈনখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সি): য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর সেক্টরগী ষ্টেকহোল্ডরশিং অমসুং ইনর্জি সেক্টরগী এক্সপার্টশিংগা বজেট মমাঙগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে।

ট্রেদ রুল শেম্বা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর সেক্টর, রেলৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর, রিন্যুএবল ইনর্জি, নন ফোসিল ফ্যুলদা বেজ তৌবা ইনর্জি অমসুং সর্কুলর ইকনমিগী মতাংদা মীফম অদুনা খন্ন-নৈনখি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর কর্ম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি অনুরাগ সিংহ থাকুর, ফাইনান্স সেক্রেটরী রজিব কুমার, বি ই এ সেক্রেটরী অতানু চক্রবতি অমসুং রেভিন্যু সেক্রেটরী অজয় ভুসন পান্দে য়াওনা অতৈ মীওই কয়াসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

ইনফ্রাষ্ট্রকচর সেক্টরগী ষ্টেকহোল্ডরশিং, লোয়ননা ইনর্জি সেক্টর অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগী এক্সপার্টশিংনা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎলকখি। মমাঙদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা মকোক থোংবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্টশিং, তোঙান-তোঙানবা ট্রেদ য়ুনিয়ন অমসুং লেবর ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিং, ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি কয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিংগসু বজেট মমাঙগী মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মিনিষ্টরনা এগ্রিকলচর এন্দ এগ্রো প্রোসেসিং সেক্টরগী ষ্টেটকহোল্ডর কয়াগা উনদুনা জেনরেল বজেট ২০২০-২১গী মতাংদা মরু ওইবা সজেসন কয়া লৌখ্রবনি।

[illegible]/ পাইলসকী ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐ ঙসিদগী চহী ১৩গী মমাঙদগী পাইলসকী অনাবনা মরম ওইরগা খোঙ হান্বা য়াদবা, মপূং ফাবা ঙমদবা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বদা ঈ য়াওবা, অমাংথোঙগী মপান্দা শৌজ থোকপা, মনুংদসু পোন্বা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবা, চানীংবা পোক্তবা, হকচাং চোকথবনি। মণিপুরগী ওজা মাইবশিংদগী হীদাক চাদুনা লাকচখি। পৈশাতা তিংখি অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756 কী হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী শুপ্নগী নুমিৎ ২১নিদা পাইলস মপূং ফানা ফজখি অমদি চাবা থকপসু মপূং ফানা য়াজখি। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পেপরগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.)

থাগৎচরিবা : **Th. Rajen Singh**
Singjamei Makha

HL-P/5437/21

[illegible]/ নাতোন মনুংদা ব্রি-ব্রি চেল্লগা হাকৎচবা, নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, নাতোন মনুংদা মতুম ওইনা লৈবা অদুগা নাই চারগা মচুম তাবা ফহনবগী ওজা Qayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি

ঐ মতম কুইনা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা লোক খুবদা নপ মহী তোয়না তাবা, লোক তোয়না খুবা, কোক লূম্লগা নাহি তাবা, অমুক মরক মরক্তা ঈ তাবা, নাতোন মনুংদা ব্রি-ব্রি চেল্লগা হাকৎচবা, নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা, নাতোন মনুংদা মতুম ওইনা লৈবা অদুগা নাই চারগা মচুম তাবা, নপ শিৎনীংদুনা অদুম লৈবা তৌরম্বা অদু **MV. Qayamuddin Phundreimayum ☎ 8837496469, 8575814720** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Qayamuddin বু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

HL-P/5414/21 *থাগৎচরিবা :* **Irabot Naoshekpam, Bandiar**

[illegible]/খোঙ হান্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তং হান্নকপা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংগুম্না পোন্নগা য়াম্না চিকপা-নাবা, মতম খরা লৈরগা মচিন নাইরগা নাই চারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংগুম্না পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা ফম্বদা য়াম্না নাবা, য়াইরোংগুম্না পোন্নগা য়াম্না চিকপা-নাবা, চিকপা অদু খাংবদা য়াম্না ৱাবা, মতম খরা লৈরগা মচিন নাইরগা নাই চারকপা অদুগা কাইরকপা, নাই অদু পেৎ-পেৎ লাওরগা লৈবা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা-নাবা অদু ফখিবা, য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা নাই ওমখৎলকপা, খাংফম খঙদবা, খোঙ হান্বা খুদিংগী অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা, খোঙ হান্বা মতমদা কুইনা চঙবা, করিগুম্বদা খোঙ অকনবা হান্নকপা, খোঙ হান্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হান্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎলগা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা অদুগা খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, অমাংথোঙ মনুংদা খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা ফুরিগুম্বা মচা অমা তংলগা লৈবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী নাবা, চাবা তুমদবা, য়ারোমদা তোয়না খেগৎপা, য়াংলেন শরূদা চিকপা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5344/21 *থাগৎচরিবী :* **N. Dhanabati Devi,** Kangpokpi

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: TRANSPORT DEPARTMENT

NOTIFICATION

Imphal, 19th December, 2019.

No.3/2/2019-T(MV):- A walk-in interview will be held on 04/01/2020 from 11.AM in the Office of the Commissioner-cum-Secretary(Transport), Government of Manipur for engagement of 1(One) OSD(Legal) on contract basis in the Directorate of Transport, Manipur.

Remuneration:- As fixed by the Finance Department, Government of Manipur.

Age limit: Maximum 38 years relaxable by 5 years for SC/ST and 3 years for OBC candidates. Upper age limit is relaxable for regular Government Servant appointed under the Government of Manipur to the extent of the period of continuous service in the post/service. The eligible age should be as on 01/01/2020.

Essential Qualification:- LL.B from a recognized University with 5(Five) years experience in Legal Practice.

Desirable:- LL.M from a recognized University.

Issue/Submission of Application Form:- Candidates desirous of participating in the walk-in interview may obtain the application form from 1st Floor, Room No. 109, New Secretariat, North Block (Finance Wing), Imphal West and submit the completed forms on working days during office hour between 11.00 AM to 4.30 PM from 21st December, 2019 to 31st December, 2019.

Fee: Candidates are required to pay a fee of Rs. 100/-(Rupees Hundred only) during the time of submission of Form.

Documents to be submitted: Completed application Form with 2(Two) passport size photographs(self attested) and self attested copies of the documents (mentioned in the application Form).

Note:- The decision of the Administrative Department of Transport, Government of Manipur in all matters relating to acceptance/rejection of the application Form, mode of selection, etc., shall be final. The Administrative Department of Transport, Government of Manipur reserves the right to cancel the Notification, and any other terms and conditions of recruitment, at any stage.

Sd/- Maisnam Chinglembi Luwang
Under Secretary (Transport),
Government of Manipur.

HL-B/5903/21,22

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE FOR WELFARE OF OBC & SC
1st Floor, South Block, Secured Office Complex, /707
A.T. - Line, Imphal, Manipur

NOTIFICATION

Imphal, the 17th December, 2019

No.A/PM-2/OBC-2019 :In continuation of this Directorate's Notification of even no. dated 26/11/2019, it is hereby informed to all concerned that the last date for online scholarship registration of OBC (Pre-Matric & Post-Matric), SC Post-Matric, and conversion/migration of student, who had already applied in EBC Scholarship Scheme (2019-20), to either OBC/SC Scholarship Scheme for the year 2019-20 are extended as per the timeline given below:

Sl. No.	Scholarship Scheme	Last Date for online scholarship Registration	Last Date for online verification at Institute Level
1	OBC Pre-Matric Scholarship, 2019-20	4 PM of 24/12/2019	15/01/2020
2	OBC Post-Matric Scholarship, 2019-20		
3	SC Post-Matric Scholarship, 2019-20		
4	Conversion of EBC to OBC/SC		

2. Further, it is also to inform to all unregister Institutes to get registered on OSMS by submitting the duly filled in the prescribed "Institute Registration Form on OSMS" which is made available to this Directorate's Website i.e., **www.manipurobcsc.gov.in**. Those Institutes which are already registered on OSMS but yet to receive User Credential of their Institutes may also submit the same form mentioned above and get registered their Institute's Contact Person to cause online verification of their students.

3. All stakeholders are requested to complete the scholarship processes within the aboye timeline as no further extension shall be done and also further request for extension will not be entertained.

4. For details, Scheme Officer (OBC & SC Scholarships) may be contacted during office hours. Queries may also be mailed at **mobc-scholarships@googlegroups.com**.

Sd/- Ng. Bhogendra Meitei
Director (OBC & SC)
Government of Manipur

HL-B/5902/21